# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-10-2025)**

**মেলা (এল)ঃ** নিংঙোল ওইবীশিংগী খ্বাইদগী চাউরবা অমদি ফজরবা কুম্মৈ ‘নিংঙোল চাক্কৌবা’ হয়েং হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবা নুমিৎতা পাঙথোকবা মথুম মরাং হৌনা শেম শান্নরে।

নিংঙোল চাক্কৌবগীদমক রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা অখন্ননা শিনবা ঙাগী মেলা অমা ঙসি ইম্ফালগী কোনুং মনাক্তা লৈবা হপ্তা কাংজৈবুংদা অয়ুক পুং ১০ মখায়দগী পাঙথোক্কনি।

অকাশবানি ইম্ফালদা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা ৱারী শান্নবদা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগকী দাইরেক্তর-টি. ফুলেননা হায়-ইশিং ইচাও থোক্তুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকখ্রবসু ঙামীশিংনা কন্না হোৎনদুনা ঙাগী পোৎথোক নিংথিনা পুথোক্তুনা মীয়ামদা ফঙহন্নবা হোৎনরি। কুমশি চহিগী মেলা অসিদা মীতৈ শরেং কিলোগ্রাম ৪-৫ তাবা ফাওবা ফংহনগদৌরি। মহৌশাগা ওইবা ঈশিং ঈচাওগুম্বা খুদোংথিবা থৌদোকশিংনা চৈথেং নংলবা ঙামীশিংবু শৌগৎপা ওইনা কুমশি চহিগী ঙাগী মেলা অসিদা অথোই অহেন তান্নবগী অহানবা মনাদা লুপা লাখ অনি পীরগনি। মসি মমাংগী চহিদদি লুপা লাখ অমখক্তমক ওইরম্বনি। অনিশুবা অমদি অহুমশুবা তাবদনা মথংশিৎনা লুপা লাখ অমা মখায় অমসুং লুপা লাখ অমা পীগনি।

**দ্রাইব (এল)ঃ** নিংঙোল চাক্কৌবগী পোৎ লৈবদা পীফম থোকপা অরুম্বা শুনা পীদবশিং য়েংশিনবগী থবক রাজ্যগী ৱেট এন্দ মিজরস দিপার্টমেন্টনা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী ইম্ফালগী খাইরম্বন্দ কৈথেলদা মখোয়গী বুথশিং হাংদোক্তুনা চেকশিন্ননা শেন্নরি।

অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা মহৈরোই লুপ তরুকসু পোৎ-চৈ মমল

হেন্না য়োনবা দুকানশিংদা অখন্নবা দ্রাইব চঙথবা হৌখ্রে। মহৈরোইশিংগী অখন্নবা কাংবুশিংনা ঙরাংসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবদা ফল্লিবা দুকানশিংদা চং-চংদুনা পোৎ-চৈগী মমল হেন্না য়োনবা য়াওব্রা হায়না য়েংশিনখি।

**দিৱালি (এল)ঃ** দিৱালি কুম্মৈ মনুংদা মৈহৌ লাংপোকচিংবা থোরকপা মতমদা মতম চানা লাকশিনবা ঙমবা মনিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টনা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎখি।

ঙরাং অহিং দিৱালি কুম্মৈ পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা দিপার্টমেন্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা কাংবুশিংনা কোনুং মমাং, খুরাই লমলোং বজার, শিংজমৈ চিংঙামথক, ক্বাকৈথেল, খুয়াথোং, তেরা বজার, চিংমৈরোং, উরিপোক, রিমস গেট, জেনিমস গেট অমসুং এম.জি. এভিন্যুনচিংবা মফমশিংদা মীকুপ নাহুমশিংনা চেকশিন্না শেন্নদুনা লৈখি।

**মুইভা (এল)ঃ** এন.এস.সি.এন. (আই.এম) গী লুচিংবা টি.ঐচ. মুইভা, চহি ৫০ গী মতুংদা ঙসি উখ্রুলদা থুংলগনি। মহাক নাগালেন্দদগী উখ্রুল ফাওবা হেলিকোপ্তরদা লাক্কনি।

মহাকা উখ্রুল হেদক্বাটরস গ্রাউন্দদা থ্ংলবদা মীয়ামনা তরামা ওকনবা শেম শারে। মফম অদুদা মহাকপু মীয়ামনা হরাউ তয়ামা ওক্লবা মতুংদা মহাক্কী পোক ফম খুল সোমদলদা চৎকনি। মশাগী চহি ৯১ শুরবা শ্রী মুইভা মতম কুইরবগী তুংদা লাক্কদৌরিবা অসি ওকনবগীদমক উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদগী লাকপা মীওই কয়ানা ঙরাংদগী হৌনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা ঙায়দুনা লৈনরি। মহাক চয়োল অমরোম লৈরবা য়াই।

**দিংগো (এল)ঃ** সেকমাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ. হৈখাম দিংগোনা ঙরাং কেন্দ্র অসিগী মনুং চনবা শেঞ্জম খুনৌদা রাজ্যগী ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী মখাদা শাবা থোং

অমা শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা শ্রী দিংগোনা হায়-কৌক্রুক্তা শেমগৎলিবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতিগী মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা শেঞ্জম খুনৌগী থোং অসি শাবা লোইদুনা শঙ্গাবা অসিনা খুল অসিগী মীয়ামদা নত্তনা য়ুনিভরসিতি অসিগী শেমগৎ শাগৎপগা মরী লৈননা চৎথোক চৎশিনগা থবক্তা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি। মহাকা হায়-লমশাংদগী ফুমলৌ ফাওরগা কৌক্রুক তাবা নেসনেল স্পোর্টস য়ুনিভরসিতিগী লম্বী অসি শেম্বগী থবক অথুবা মতমদা হৌরগনি। সেকমাইদগী খুরখুল ফাওবগী লম্বীগী মরক্তা এন.ই.সিগী মখাদা অচৌবা থোং অমা শাবগী থবক চত্থরি। মতম মতমগী ওইনা অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরবসু লম্বী থোং শেমগৎপা য়াওনা মীয়ামগীদমক য়াইফ থৌরাংশিং অঙম্বা থাক্তা পায়খৎখিগনি হায়নসু শ্রী দিংগোনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**পুলিস(এল)ঃ** মথৌ তৌরিঙৈদা লৈখিদ্রবশিংগী রাজ্য পুলিসকী পার্সোনেলশিংবু নীংশিংদুনা মখোয়গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম পুলিস কমেমোরেসন ডে ঙরাং পাঙথোকখি।

অহানবা মনিপুর রাইফলসকী কমপ্লেক্সতা লৈবা পুলিস মেমোরিএল পিল্লরদা রাজ্যগী দি.জি.পি. রাজিব সিংহনা অতৈ মকোক থোংবা পুলিস ওফিসারশিংগা লোয়ননা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম পাঙথোকখি। জিলা জিলাশিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস হেদক্বাটরসশিংদসু থৌরম অসি পাক শন্না পাঙথোকখি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপিতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি কেরলাগী সরবারিমালা লাইশঙদা চৎতুনা লাই খুরুমগনি।

শ্রী মুরমুনা হয়েং, কেরলাগী রাজ ভবনদা চৎতুনা হান্নগী রাস্ত্রপতি-কে. আর. নরায়নন্দগী মুর্ত্তিদা ইকায় খুমবা উৎকনি। রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ

মরিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং কেরলাগী তিরুবনন্তপুরমদা থুংখিবনি।

**দেঙ্গিঃ** জম্মু কাশ্মিরদা চহি অসিদা দেঙ্গিগী কেস লিশিং ২,২০০ রোম থেংনখ্রে।

ওফিসিএলগী পাউনা হায়-য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা কেস লিশিং ২,১৬৮ দি দেঙ্গি পোজিটিব ওইবা থেংনখ্রে। জম্মু জিলাগী কাথুৱা, সম্বা অমসুং উধমপুরদা দেঙ্গিগী কেস ৯৬০ থেংনখি। কেস ২৩ না কাশ্মির দিভিজনদা থেংনখিবনি অদুগা অতোপ্পা রাজ্যশিংদগী থেংনখিবনি। চহি অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ২০,২৭৭ দেঙ্গি টেষ্ট তৌখ্রে। ডাক্তরশিংনা মীয়ামদা অসিগুম্বা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা মরী লৈনবা থবকশিং লৌখৎমীন্নসি হায়না আপিল তৌরি।

অমরোমদা, য়ুমথংনরিবা লৈবাক বঙ্গলাদেসতা চহি অসিদা দেঙ্গি লায়নানা শিখিবা মীগী মশিং ২৫০ শুখ্রে। দেঙ্গিনানা নাবা মীগী মশিং লিশিং ৫৬ শুরে হায়না লৈবাক অসিগী হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তোরেট জেনরেলনা হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

এন.এস.সি.এন. (আই.এম) জেনরেল সেক্রেটরি-টি.ঐচ. মুইভা ঙসি উখ্রুলদা থুংলগনি হায়বা পাউ, নিংঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা ঙাগী মেলা পাঙথোক্কনি হায়বা পাউ অমসুং ময়াই লম্বী শেমবা লুপা ক্রোর ৭৪.২২ গী শেনফম সেঙ্কসন তৌরকখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি-সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোক ফম, পিপলস ক্রোনিকল, মোরনিং বেল, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, গানফিয়ু মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং চম পাউচেশিং

অসিদা ফোংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-ঙরাং পাঙথোকখিবা দিৱালিগী থৌরমদা নিল খোঙবগী চাং দেসিবেল ৮৬ য়ৌখি হায়বা পাউ অমসুং ময়াই লন্থী শেমবা লুপা ক্রোতি ৭৪.২২ সেঙ্কসন তৌরকখ্রে হায়বসিনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লৈখিদ্রবা পোফেসার-গাংঙুমৈ কামৈগী মেমোরিএল লেকচর পাঙথোকখিবা পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

চহি ৫০ গী মতুংদা এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী জেনরেল সেক্রেটর-টি.ঐচ. মুইভা ঙসি উখ্রুলদা থুংলরগনি হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, গানফিয়ু মেল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস, তমেংলোং টাইম, চম পাউচেশিং অসিদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

জে.জে. মীসন করপসন তৌবা, এক্সন লৌখৎখিবগী অকুপ্পা মরোল পীনবা ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে। ঈশিং পীদনা পীরে হায়জিনবা, স্কিম পাঙথোক্তুনা পাঙথোক্লে হায়জিনখিবগী ৱাকৎশিং রিপোর্টতা য়াওহল্লক্কদবনি হায়বসিনা পোক ফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শিন্মীশিংবু তন্মীশিংনা হন্থনা য়েংই হায়না শন্দোক্লিবা অসি পোলিটিসিয়ানশিংনা খুদোংচাবা লৌবনি হায়না লিয়াংমৈ ইম্ফাল মার্কেট কমিতিগী চীফ এদভাইজর-খুরাইজম অথৌবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু সনা লৈবাক্কী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-নবেম্বর ২৫ ২০২৪ দা লৈমখোংগী আর্মি কেম্পতগী মাংখিবা লাইশ্রম কমল বাবু চহি ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা লৈঙাকনা মফম খঙহনদ্রি হায়বসিনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর ঠিয়েটর ডে পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ঠিয়েটর সেন্টরনা মীওই

অনিদা এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখিবগী পাউসু হুইয়েন লানপাউ য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।